হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, ওগষ্ট ০৩, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১২৫ শুবা মশীং

# নেসনেল হায়ৱেশিং

## চিনগা খুৎকা মান্নদবা বি জে পিগী থৌওংনি

*ইন্দিয়াগী* অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনদ্রবসু মণিপুরদদি মপূং ওইবা লম্বী অয়াম্বা নেসনেল হায়ৱেশিং চিংখ্রে।ইম্ফালদগী মোরে ফাওবা নেসনেল হায়ৱে-১০২ হায়না মমিং থোনখ্রে। আসাম-কোহিমা-সেনাপতি-ইম্ফাল-চুড়াচান্দপুর অমসুং আইজোল তাখিবা লম্বী অসিনা নেসনেল হায়ৱে-০২ হায়না মমিং থোনখ্রে। জেসামি-উখ্রুল-ইম্ফাল লম্বী অসিনা নেসনেল হায়ৱে-২০২ কৌরে, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীসিনা নেসনেল হায়ৱে-৩৭ হায়না ওনখ্রে।খ্বাইদগী নৌবা মণিপুরদা লৈবা নেসনেল হায়ৱে হায়রগদি মীয়াম্না হৌজিক হৌজিক ময়ায় লম্বী হায়না খঙনরিবসিনি। লম্বী অসি নেসনেল হায়ৱে -১৩৭-এ হায়রগা খঙনরে। মসি ইম্ফালদগী ময়াং ইম্ফাল ফাওরগা ককচিংলোমদা লাক্লগা পল্লেললোমদা নেসনেল হায়ৱে ১০২ গা শম্নখিগদবনি। হায়রিবা নেসনেল হায়ৱেশিং অসি শেম্বগী থৌদাং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইদে। লম্বীশিং অসিগী মপূদি মিনিষ্ট্রি ওফ রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনি। মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক মাও-ইম্ফাল, চুড়াচান্দপুর-য়াইঙংপোকপী, ইম্ফাল-মোরে, ইম্ফাল-ওরিএন্টেল কোলেজ ফাওবগী লম্বীশিং অসিনা ষ্টেটকী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) না পায়। অতৈ অয়াম্বা শরুকশিংদি বোর্দর রোড ওর্গনাইজেসনগী মখাদা লৈ। হন্দক্তা মণিপুরদা নেসনেল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কো-ওপরেসন লিমিটেদ হায়না খঙনবা অনৌবা কম্পেনি অমসু চঙলক্লে। মতমগী মতুং ইন্না এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্কনা থাদরকপা শেনফমনা শেমগদবা লম্বীশিংদি অনৌবা কম্পেনি অসিনা অয়াম্বা পায়রগনি। ঐখোয়না খঙগদবদি পি দব্লিয়ু দিনা পায়রিবা নেসনেল হায়ৱেগী শরুকশিং অসি শেমগৎননবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতগী লুপা অমফাওবা থাদফম থোক্তে। মিনিষ্ট্রিদা শেমগদবা লম্বীগী প্রপোজল থারবা তুংদা মিনিষ্ট্রিনা সেঙ্কসন তৌরক্লগা শেনফম অদু পি দব্লিয়ু দিগী একাউন্টতা চঙলক্লুবা তুংদা লম্বী শেমগদবনি। মদু নত্তনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী ষ্টেট একাউন্টতগী শেল পুথোক্লগা লম্বী শেল্লিবা অসি অরানবনি। করিগুম্বা মিনিষ্ট্রিনা শেনফম অদু পীরক্ত্রবদি ষ্টেটকী মাঙজবনি।

মণিপুরদা নেসনেল হায়ৱে ময়াম অমা ফাওদুনা চৎচরবসু খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অমসুং মীয়ামগী হিংবগী পুন্সিরোলগা মরী লৈনরিবসি ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং ইম্ফাল-মোরে লম্বী অসিনি। লম্বীশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ফিভম শোক্লিবসি ইম্ফাল-জিরি লম্বী নেসনেল হায়ৱে-৩৭ অসিনি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা লম্বী অসি নীংথিজনা শেম্বা হায়বদু অমুক্তা য়াওখিদ্রি। গাড়ী অনী থৈনরগা চৎপা য়াদবা, লৈখোম লৈনাংনা খূউ য়ৌবা, নোংজু থাদা ঙাইহাক লৈতনা চীং নীঙ্খায়দুনা লম্বী ফাওনবা য়াদবগী থৌদোক কয়ামরুম থোক্লি। হন্দক্কী চহী অসিদসু নুঙ দলাল মনাক্তা অচৌ অচৌবা নুঙদুম কয়ামরুম নীঙ্খায়রকপদগী লম্বী চথোক-চৎশিন্দা অকায়বা থোকখি। লম্বী অসিগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক ষ্টেট অসিদা লৈবা এন জি ওশিংনা ঙাইহাক লৈতনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা তক্করি। ট্রান্দপোর্টর এন্দ দ্রাইভর কাউন্সিলগী কাঙবুনসু প্রোটেষ্ট ওইনা লম্বী অসি মখোয়না মীয়ামগা লোয়ননা শেল্লগে হায়দুনা নুঙ গাড়ী কয়ামরুম পুশিল্লগা হৈথবগী থৌদোক ফাওবা লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসিফাওবদি লম্বী অসিগী ফীভম চাউরাক্লা কিলোমিটর ২০ লোমদি ফগৎহনবা ঙমদ্রি। মতাং অসিদা পনবা য়াবা ৱাফমদি এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৈঙাক হেক পায়রকপা নুমীৎ ১০০ নিগী মনুংদা পায়খৎকদবা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিংদা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীসিসু য়াওই হায়না হায়নখি। বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু তশেংনমক অচুম্বা ওইরম্বা তারবদি বি জে পিনা চিনগা খুৎকা মান্নদনা থবক তৌই হায়বদা অরানবা লৈরোই। নরেন্দ্রা মোদিগী অখন্নবা থৌশিলগী মখাদা ম্যান্মারগী লম্বী শেম্ননবা য়াল্লবা শেল থাদৈ অমসুং বি আর ওদা থবক পায়হল্লি। অদুগা মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনেল হায়ৱেশিং অসিনা হুন্দোক্লগা থন্বীরি। মীরৈবাক্লা মরৈবাক্তগী লুম্না লৌবা থৌওং অসিনা মণিপুরীশিং থম্মোয় শোকহল্লি। লম্বী অসিগী প্রোজেক্ট অমগী সেঙ্কসন নিবদা চহী ১০ চঙই। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মণিপুরগী লম্বী ফগৎহনবা ঙমদবনি। বি আর ওনা অতম্ননা লম্বী শেমদবা ওইরমগনি হায়না লৌদে। মতাং অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কীসু থৌদাং নাথৈরগা চৎপা য়ারোই। মশাগী লমখৈ মনুংদা মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বী নীংথিনা শেমদবা অমসুং শেল থাদদবদা তুমিন্না লৈশিনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মরালনি হায়দবা ঙল্লোই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### ঈশিং ঈচাও


*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ঈশিং-ঈচাও** মখল অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই হায়না খল্লি। অহানবদা নেচরেল কেলামিটিনা থোকহনবা, অনীশুবদা খূৎশেম্না থোকহনবা অসিনি। ঈশিং ঈচাও হায়বসি করিগুম্বা মরম অমনা ঈশিংগী ঈমায় হেনগৎলক্তুনা ঈশিংনা লৈরক কোন্সাং, লৌবুক-লমহাং, লম্বী-সরক, য়ুম-ইঙ্খোল অমসুং কংফালগী লৈরিবা লমদমশিংবু থুমজিল্লকপবু ঈশিং ঈচাও হায়না খঙনৈ। মসি মরম কয়ানা থোকহল্লকপা য়াই। মরু ওইনা নোং কন্না, মতম কুইনা লেপ্পা লৈতনা তাবদগী ঈচাও থোকহল্লি। মসিবু নেচরেল কেলামিটিনি হায়না লৌবা য়াই। কনানসু থিংলুবা ঙমদে। অদুগা নোং খজিক্তং তাবদা লৈরক, কোন্সাং, খোংবাল, শুমাং-থেলোং ঈশিংনা থুমজিল্লকপবু খূৎশেমগী ঈচাও কৌবা য়াই। মসিদি ইরম নালা ফৎতবদগীনি হায়বা য়াই। অদুনা ইম্ফালগী মরু ওইবা লমদমশিংদা ঈশিং ঈচাও থোকহল্লিবা। অদুগা সমুদ্র মপানগী লমদমশিংদদি য়ুহার কারকপা নৎত্রগা য়ুহার হাবনসু ঈচাও থোকহল্লি। মরু ওইনা নোংজু পম্বাগী মতমদা ঈচাও থোক্লল্লি। অদুবু নোংজু পম্বা নৎত্রবসু নোংবু কন্না অমদি মতম শাংনা তাবদগী ঈচাও থোকপা য়াই। হন্দক মণিপুরগী মফম খরদা ঈচাও থোকখ্রে। লোয়ননা তুরেলগী ইমায় পারকপদগী তোর্ব্বান্নচিংবা নিংখাইরক্তুনা ৱাংজিং তেন্থা, শঙ্গাই য়ূম্ফম অমদি শুগনুনচিংবা মফমশিংদা ঈচাও থোকহল্লি। হন্দক্কী ঈচাও অসি মহৌশাদগী নোং হেন্না তাবদগী থোকপা নত্তে। খূৎশেমগীসু য়াওই হায়বদা থোইনা লানগদবা মান্দে। মরমদি ইরম নালা ইফুৎ ফত্তে হায়বা য়াই। অদুগা শেল্লিবা ইরম নালাসু ঈশিং চেন্থখিনবা শেমদবদগীনি খঞে। মসি ইম্ফালগী সহরদা নৎতনা খুঙ্গংগীসুনি। ইম্ফাল সহরগী ওইনা নম্বুল তুরেলদা চেন্থখ্রবদি ঈচাও থোক্লোই। তুরেলনা পারগদি খঙদ্রে। খুঙ্গংদা শেল্লিবা নালাসু অকুৎপনা কুৎনা অমদি অতোংবনা তোংনা শেম্মী। মসিদগীনি খূৎশেমগী ঈচাও থোক্লিবা। মসিদি থিংবা ঙম্বা তাই অদুগা নেচরগী ওইনদি থিংবা ঙল্লোই। খূৎশেমগী ঈচাওদি মীনা থোকহনবনি, থোকহন্দনবা হোৎনসি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬

১। ‘মাইনু পেমচা’ দ্রামাগী অইবদু কনানো?
২। ‘শন্দ্রেম্বী থারক্লো নহুম পোঞ্জেল শাবীগে’ কনানা ইবনো?
৩। মোইরাংথেম বরকন্যা করি লাইরিক্তা ষ্টেট লিটরেরি এৱার্দ ফংখিবগে?
৪। ‘অতোপ্পা দ্রোনাচার্য্য অমা’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ঈপুদা ইজবা চিঠি ২০১৬ -(১)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

*নুংশিজরবা ঈপুখোই;*

কুমসি কুমগী ওগষ্ট থা হায়দু লাক্লে। থাজৎ অসিবু লমদমসিগী মীয়াম্না য়াম্না নুংশিজৈ। থা অসিদনি ঈপুখোইগী নুমিৎ তারিবা, থা অসিমদি লমদমসিগী মীয়ামদা অনৌবা থৌনা, অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি অনৌবা মিৎয়েং অমা পীবা ঙম্বা য়াম্না মরু ওইখ্রবা থানি। কুমজা খুদিংগী লমদমসিদা ওইরিবা অমদি থোক্লিবা কয়াগী মতাংদা অসুপ্পা ৱাফম কয়া ইপুহোইদা পাউদমজদুনা লাক্লি। কুমসি চহী অসিদসু ঈপুখোইগী থানা লাকপসিদা থম্মোয় শেংনা নীংশিংজরি, পুকচেল তিংনা অহানবদা ঈপুখোইবু খুরুমজরি।

অতৈ কনা কনানা ঈপুখোইবু করম্না খল্লমগদবনো খঙদে। অশেংবা ওইনা হায়রিবদি ঈপুখোইদি লমদম অসিগী অরোইবা নীংতম লান্দা ঈরৈবাক্না মীখা পোন্দনবা কন্না হোৎনজখিবনি। অদুঙৈ চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদগী হৌনা বৃটিশনা অহো অরাক কারক য়েংদুনা লমদম অসিদা লিৎশিল্লকখিবনি। অদু কুম অদুদগী হৌনা লমদমসিবু মখোয়গী লৈঙাক মখাদা থম্নবা থেঙ্খাং কয়ারক্তা হোৎনখি। ওগষ্ট থা অসি য়ৌরকপদদি পল্লেল মায়কৈদগী থোমজিল্লকপা বৃটিশ লাল্লোংনা খোংজোমগী খেবা চীংদা অচৌবা লানফম ওইখি। নোংমৈ, তোপ মখল কয়া পুদুনা লাকপা বৃটিশনা মীতৈ লান্মীশিংবু ইরায় লায়না খুদুম চনবা ঙমখিদে। থৌদোক অদুবু মমিৎনা উহৌবা ওজা ধোবি লৈনৌনা অনৌবা শৈশক অমা পুথোক্তুনা মণিপুরগী লৈরক খুল্লক কয়াদা কোয়না চৎতুনা শকখি। মদুবু ঙসি ফাওবদা খোংজোম পর্ব্ব হায়না পাম্নবা শৈশক অমা ওইনা লৈরি।

ওগষ্ট থাগী ১৩ অদু ঈপুখোয়গী অরোইবা নুমিৎ ওইখি। নুমিৎ অদুদা ফিঙৌ ফৌরবা মীয়ামগী মাঙদা ফৈদাপুংদা পুথোক্তুনা ঙক্তা থৌরি থুদুনা তমথিবা মীহাৎতা হাৎখি। ঈপুখোয়বু কনবীনবা কনাসু কোলকটা তান্না চৎতুনা ইংলেন্দগী মহারানি য়ৌনা ৱাকৎপীনবা লৈখিদে। হৌজিক্তগা ওইয়ুদনা কুম্মৈ তাদৌনি।


ঈপুহোই অমদি ঈপুহোইগী মমাঙ মমাঙগী অথৌবা ঈপু পুরেল কয়ানা মথৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা কন্দুনা লৈখিবা ঙমখৈদা শিংনরক্লিবা অসি কুমজা য়াম্লক্লে। থংনবা য়ূমথংনবশিংনা মতিন য়োৎনা লমদম অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খরা খোইদা মিতাদুনা মণিপুর থুগাইরগা পাকথোক চাউথোকপা ষ্টেট অমা শেমগনি হায়না লম্বী থৎতুনা, লান হৌদুনা, ফিমুন, শেনমুন, পোৎমুন্দুনা ওম্থোকপা মওং অমদা তৌরকপদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থেংঙ্খাং অনীরক্তা হোৎনদুনা লাকই। মমাঙদা পিছ টোক তৌনবদা ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিট হায়বা ৱাহৈ অহুম য়াওশিল্লুবদগী লমদম অসিদা অচৌবা মৈহৌ লাংপোক অমদি লাকশিনবা ঙমদবা ঈহৌ কয়া লাক্তুনা মীওই ১৮ গী থৱায় মাঙখি। মদুগী মতুংদা ৱাহৈ অহুম অদু লৌথোক্তুনা ঈংথনবা হোৎনখি। মণিপুরদা হায়রিবা কাঙলুপ অদুগী দিজিগনেটেদ কেম্প হাংবা য়ারোই হায়রবসু অদুম হাংদুনা লাকই। মণিপুর লৈঙাক্লসু ঈরাং খঙই। খঙলবসু খঙশিন্নদবা শাদুনা হন্না য়েংদনা ফ্রি থাদুনা লাকই। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা খূৎলায় থাদোক্তুনা ৱারী শান্নরিবা কাঙলুপ্তুনা লৈঙাক্কী অচৌবা ওফিসর য়াওনা মী কয়া হাৎখিবা লৈখ্রে। হন্দক্তসু চীংগী মফম অমদা হায়রিবা লূপ অদুগী কেম্প/ ওফিস হাংলমদুনা আসাম রাইফলনা র‍্যেদ তৌখ্রে হায়বা পাউ লৈরি। নুংশিখ্রবা লমদমনি, কৈসু কি মথিসু কি হায়দুনি, ঈপুহোইগুম্বা মরিল লৈবা অমত্তা লুচিংবা ওইনা থম্বীরমদবা অসিমদি খিত্তংবু পেন্দে ঈপুহোয়দা।

ঈপু হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ৩ ঙসিগী নুমিৎ অসিমক্তদা ইন্দিয়ন লৈঙাক অমদি হায়রিবা লূপ অদুগা পিছ একোর্দ অমা সাইন নৌনা তৌনদুনা মখোয়গী প্রোব্লেম অসি লোইশিন্নবা ইখঙ খঙহৌদনা লাউথোরকপা লৈখি। মতমদুদা ইনি দয়ন লৈঙাক্কী লুচিং পুরেলদুনা থা ৬ কী মনুংদা মখোয়গী ৱাথোক অসি লোইশিনগনি হায়না লাউথোকখি। লমদমসিগী মীয়াম পূম্নমক ঙক্লখি। করি করি ৱাফমদা খন্নগদৌরিবনো, করি করি দিমান্দ তাল্লিবনো? কনানসু হায়বা ঙমদে। কনাসু খঙদে, কনাদসু হায়দোক্তে। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা চহী অমা মপূং ফাগদবনি। হৌজিক ফাওবদি শিখ্রে হায়দুনা নাখৈ শেংনা লাউথোকপমক লৈত্রবসু, মনুংদা ৱারী শান্নবা য়ানা লৈরে। লাউথোক্কদবতমক ঙাইরে হায়বা পাউ তারি। করি করিদা য়ানরিবা, য়ানরিবা ৱাফম অদুনা হান্না ঈংনা লৈজরিবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা করম্বা অনৌবা শিংচেপ অমমুক থাজিল্লক্কদৌরিবা কনামতা খঙবা ঙমদ্রি। ঈপু মীগী মীখা পোনবা হায়দু সি ওইবা তারমালেদা, করিগুম্বা অমতা নীংতম্না থবক তৌবা ঙমদবা, মীনা পীরক্লগা চাবা, পীরক্ত্রগা হেনবগী টাইপতা লৈরে। হৌজিক মণিপুর লৈঙাক অসিগী শেন থুমগী ফীভম অসি খৌরি য়ৌরে হায়না তাই। অনৌবা স্কিম, অনৌবা দিভলপমেন্ট অমদি অনৌবা তোলোব অমত্তা পীরোইদৌরিমাল্লে। লৈঙাক্কী শেনফু খ্রক-খ্রক কংলে হায়নবু তাই। তা ইবোবীনা ঝুলি পায়দুনা নিবা চৎত্রদি কমদৌনি? মোইগী ভোটসু নকশিল্লক্লে, মণিপুরসি খম থেংখৈ ৱাহল্লগা, মমৈদা মখোয়না পীরকপনি গাইনা হায়জরগা ভোট খোন্বগী লাল্লোং চখৎরক্কদ্রা খঙপোত্তে। দেমোক্রেসি হায়বা ফজখ্রবা কাঙলোন অসি পোলিটিক্স তৌরিবশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লৈরে হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নৈ। নুঙাইখ্রবা লমদমনি।

হৌখিবা চহীদু ঈপুখোই লাকপদু কয়া নুংঙাইরমগনি থাজদে। লৈবাক্কী অচৌবা ঈহৌ অমা ঈপুখোই থেংনরমগনি। আই এল পি সিষ্টেম চৎনহনগদবনি হায়না লৈবাক (তম্পাক লম) হুপ্না ঈহৌ হৌখিবদো। কনাগী অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং হায়বা লৈতনা ইলেক্ট্রিক খুর্তি পোষ্ট কাঙ-কাঙ খিংদুনা মী পূম্নমক লম্বীদা, সোরোক্তা থোক্তুনা অনৌবা খোল্লাউ লাউখিবদু ঈপুখোই নাকোং য়েশিনখৈ তারমগনি। খনসু খল্লমগনি, মণিপুরগী চীংয়া তময়া শিন থুংবতা নত্তনা ময়োল লম অসিদা মীতোপ মীরানচাশিংনা য়ূমলিং খুলিংদুনা লমদমসিগী শেনমিৎলোনগী শেঙ্গাও পায়দুনা লৈবদু। ঈপুখোইসু শোয়দনা খঙলমগনি, ঐখোয়গী লম অসিদি মতম খরগী মতুংদা শোয়দনা মীতোপ মীরানচাশিংনা লৈহৌরগনি, ঐগী ইচা ইশুশিংগীদি মরু ফাওবা থিবা ফংলোই হায়না। সিমক্তদা ঈপু, লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা ৱাখল মান্নদবা কয়াগী মৈরি চুদুনা লমদম অসিদা নাকপাক তান্ননবা কন্না হোৎনরিবনি। দিল্লিদা এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা বিল অহুম অদু চৎনবা য়ারোই হায়না চীফ মিনিষ্টর হোই, দেপ্যুটি হোই, অতৈ পোলিটিকেল পার্টি ময়াম পূনবা নুমিৎ অমগী নুমিদাংদা ত্রাইবেল ময়াম পুল্লপ হৌরক্তুনা ঈরাং থোকখিদনা, মদুদা দিল্লি পুলিসনা ঈহৌ হৌবা, পুলিসকী গাড়ী ফাওবা শ্বাইগী মতৌ তমদুনা থুগাইরুবা, নূং লংশিল্লুবগী শান্থরক্তনা কয়া অমা অশোক অপন থোকখিদনা। ঈপু মদু কোন্না করিগীনো হৌরিবা ঈহৌদু, কনানা শিনবনো হায়না থিগৎলুবা মতমদদি, ঐখোয় লমগী মী অমত্তনা শিনবা ওইরমদ্রে, থংনবা ষ্টেটকী এম এল এ অমদি এন জি ওগী লুচিংবশিংনা ময়ামদু বীয়র তপ তাখে পীথক্লগা বীয়র লিক্লিন্দু থুগাই থুগাইদুনা ঈহৌ হৌবা ওইরম্লে। মখোয়গীদি ঈহৌদু লাকপদা মাই পাকপা হায়দু ওইখি অদুগা বীয়র থক্লগা অফাও শারুবা নহাখৈনা দিল্লি পুলিসকী লাথি চাদুনা পোপ লৈহৌরেদনা। সিবু ঙক্ত্রে ঈপু, থংনবা ষ্টেটকীদমক মখোয়না শেল তিংনা অমদি ঈহৌ শাগৎতুনা কৈদৌবৈ ঈরাং হৌহল্লিবনো হায়বা ৱাসি। ত্রাইবেলগী ইন্টরেষ্ট শোকপা বিলনি হায়রিদু কদাইৱাইদা শোকপনো, শেমদোক্লসি, অনৌবা অমা শেল্লগা লমদম অসিগী য়েলহৌমী কলহৌরসি হায়রসু হৌজিক ফাওবা কনামতা থোরক্ত্রে হায়রিসিবু ঈপু কমদৌরিজাৎনো? ৱাখল লৌশিং পুঙপং পঙথরবা মখোয়বু ঈপুহোইনা অমুক্তা শীংহনবীরম্বা য়ারোইদ্রা? ঈপুহোইনা কৈ কৈনো খরা তৌবিরগা অমুক্তা ৱাখল তাহনবীরম্মু।

# হু ওইবা কেমিকেলশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা ফুরিৎ


১) হোরবা পোলিইক্ত্রোলাইতকী ফি
২) ঈশিংদা থাদরগা থম্বা
৩) মথন্নতা ফোৎচিন্নখ্রবা ফি



পোলিইলেক্ত্রোলাইতকী কুয়োমশিংনা য়োমশিল্লবা ফি মতৎশিং ঈশিংদা শোকনহন্দুনা থম্বদা শমজিন্নরকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ
**কুঞ্জো নাওরেম**

**অকে-অমৌ,** লৌউ-শিংউ, অনা-লায়েং অমদি অচা-অথক্লচিংবা শেম শাবদা মখল-মখা কয়াগী কেমিকেলশিং শীজিন্নরি। কেমিকেলশিংসিগা লোয়ননা হিংলিবা ঐখোয়সি নাকল অমরোমদদি খুদোংথিনিঙাই ওইরিবনি মরমদি কেমিকেলশিংসিগী মনুংদা খরদি হু ওই। কেমিকেলশিংসি শুংবগী থবক তৌরিবা মীওইশিংদসু খুদোংথিনিঙাইনি। হু ওইবা কেমিকেলশিংসিনা শ্বর হোনবদা, চীঞ্জাক্তগী নৎত্রগা উনশাদগী হকচাংদা চঙখিবা য়াই। অসুম্না মতম কুইনা চঙলকপদগী লায়না কয়ামুক পোক্লকই। মরু ওইনা তীল-হীদাক, নাপী-হীদাক কাপ্লিবা লৌমীশিং অমদি কেমিকেলশিংসি শুংবগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগী হকচাংদা চঙবা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈ। লৌমীশিংনা হীদাক কাপ্পদা মাস্ক উপ্লগসু উনশা ফাউদুনা হকচাং মনুংদা চঙলকই। কেমিকেলশিংদুনা লিৎলিবা ফুরিৎতা নপল্লম্বদগী উনশাদা, উনশাদগী হকচাংদা চঙলকপসু য়াই। অসিগুম্বা খুদোংথিবা অসি মতম খরগী তুংদগীদি লৈরক্তবা য়ারে। মরমদি অসিগুম্বা কেমিকেলশিংবু থুগাইবা ঙম্বা, থুগাইরবা তুংদা অমুক ফুরিৎকী ফাইবরশিংদু হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা ঙম্বা ফাইবর মখল খরা পুথোক্লে হায়বগী পাউদমশিং লৈরে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া দেভিস (য়ু সি দেভিস) কী থিজিল্লোয়শিংনা বেক্টেরিয়া হাৎপা ঙম্বগা লোয়ননা তীল-হীদাকশিংবু থুগাইবা ঙম্বা ফি মখল অমা পুথোকপগী মতাংদা ‘জর্নেল ওফ মেটরিএলস কেমিষ্ট্রি’ (সেপ্টেম্বর ১, ২০১১) দা ফোঙদোকখি। মতমদুদা য়ু সি দেভিসতা দোক্টরেল মহৈরোয় ওইখিবা নিং লিউনা 2-anthraquinone carboxylic acid (২-এ ক্যু সি) কৌবা কেমিকেল অমবু লশিংগী ফাইবরগা বোন্দ শেমহনবগী কাঙলোন অমা পুথোকখি। অসুম্না শেল্লকপা লশিং অমসুং ২-এ ক্যু সিগী বোন্দসি অসুক্কী মতিক কনখ্রে মদুদি মসিবু হন্না-হন্না ঈশিংদা চামথোক্লবসু ইরায় লায়না কোকপা ঙমদে। ঐখোয়দা লায়না পোকহনবা ঙম্বা বেক্টেরিয়া কয়ামুক নুংশিৎতা কোইপাই পাইদুনা লৈ। মখোয়সি ঐখোয়না লিৎলিবা ফিরোলদা নপশিল্লকই। লৌমীশিংনা হীদাক কাপ্পদা পাইথোরকপা কেমিকেলগী অকুপ্পা মকুপশিংসু নপশিল্লকই। ফি মখলসিনা অসিগুম্বা বেক্টেরিয়াশিং হাত্তোকপগা লোয়ননা হু ওইবা কেমিকেলশিংদুবু থুগাইবা ঙম্মী। ফি মখলসিদা নুমিৎ মঙালনা য়ৈবদা ২-এ ক্যু সিনা হায়দোক্সিল রেদিকেল অমদি হায়দ্রোজেন পেরাক্সাইদকুম্বা রিএক্টিভ ওক্সিজেন স্পেসিস কয়ামুক পুথোকই। স্পেসিসশিংসিনা বেক্টেরিয়াবু হাত্তোকই অদুগা তীল-হীদাকশিংদা য়াওরিবা হু ওইবা ওর্গানিক কম্পাউন্দশিংবু থুগাইরগা ঐখোয়গী হকচাংদা শোক্তবা কেমিকেলশিংদা ওন্থোকই।

অতোপ্পা অমদনা, চৎলিবা চহীসিগী জুলাই ২৫ গী ‘অমেরিকান কেমিকেল সোসাইটি’ গী ‘এপ্লাইদ মেটরিএল এন্দ ইন্টরফেসেস’ তা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না ‘হক ইনষ্টিট্যুটস ওফ লাইফ সাইন্সেস’, ‘পেন্সিলভেনিয়া ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি’ গী থিজিল্লোয়শিংনা হু ওইবা কেমিকেলশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা ফি মখল অমা শেমগৎপা ঙল্লে হায়রি। হৌজিক খূৎশেমগী ফি কয়ামুক কৈথেলদা ফংলে। অদুবু ফিদুগী ফাইবরশিংদা অতেক-অকায়, তৎপা-খোৎপা তৌরকপদা মশানা অমুক মেনশিনবা, শৌজিন্নজবা ঙম্বা (সেল্ফ হিলিং) ফাইবরদি ইরৈ লৈত্রি হায়বা য়াই। হন্দক পুথোরক্লিবা ফাইবরসিদি অসিগুম্বা মগুণসু য়াওই হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি। ফি মখলসি হৌজিক মীয়াম্না শীজিন্নরিবা ফাইবরশিংবু সেল্ফ হিলিং তৌবা ঙম্বা কেমিকেলগী অপাবা কুয়োম অমনা কুপশিলহল্লগা শাবনি। মসিগী থবকসি ইচম চম্বা কাঙলোন অমগী মতেংনা পাঙথোকপনি। মসিগীদমক মখোয়না ফাইবরদুবু মহি কয়ামুক্তা মথং মথং লুপ্লগা পোলিইলেক্ত্রোলাইটকী কুয়োম কয়া মরোল-মরোল নাইনা নপশিনহল্লি। পোলিইলেক্ত্রোলাইট হায়বসি পোজিটিভ অমসুং নেগেটিভ চার্জ পুবা আইওনশিং য়াওবা পোলিমরশিংনি। এঞ্জিনিয়রিং সাইন্স অমসুং মেকানিক্সকী প্রোফেসর মেলিক দেমিরেলনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না পোলিইলেক্ত্রোলাইটকী কুয়োমশিং শেম্বদা এঞ্জাইমশিংসু হাপচিনবা য়াই হায়রি। মখোয়না পাঙথোকখিবা অহানবা চাংয়েংদা য়ুরিএজ (Urease) হায়বা এঞ্জাইমসি হাপখি। য়ুরিএজ হাপখ্রবা ফিদুনা য়ুরিয়াগা হেক থেংনবগা য়ুরিয়াবু থুগাইদুনা এম্মোনিয়া অমদি কার্বোন দাইওক্সাইদতা ওন্থোকখি। অসুম্না হু ওইবা কেমিকেল অমবু থুগাইবা ঙম্বা এঞ্জাইম অমা ফিদুদা হাপ্লগা ফিদুগা হেক থেংনবগা থুগাইহনবা য়াই।

ওর্গানোফোস্ফেত হায়বসি তীল অমদি নাপি-হীদাকশিং শাবদা শীজিন্নৈ। মখোয়সি য়াওবা হীদাকশিংগী মনুংদা পেরাথিওন, মালাথিওন, মিথাইল পেরাথিওন, ক্লোরপাইরিফোস, দাইজিনো, ফোস্মেতনচিংবা পনবা য়াই। ওর্গানোফোস্ফেত খরদি নর্ভ এজেন্ট ওইনা কেমিকেলগী লান্দা শীজিন্নৈ। নর্ভ এজেন্টশিংসিনা নর্ভ সেলশিংনা ওর্গানশিংদা মেসেজ থাবদা অয়েৎপা পী। মসিনা মরম ওইরগা নর্ভ এজেন্টনা পোইজনিং থোকহনবদগী মীৎনহা চপশিল্লকপা, কা হেন্না তীন (সলৈভা) থাদোরকপা, শারৈ হৌবগুম্না তোংশাশিং য়াম্না থুনা কোন্থোক-কোনশিন তৌবদগী হকচাং কন্না থেক-খোৎপা, অরেপ-অখম লৈতনা হক্কী ঈশিং চৎপা অমসুং খোঙ হামথবনচিংবা তৌরকপা য়াই। মসিদগী শ্বর হোনবদা লঙসতা ওক্সিজেন চঙলকপা ঙমদবদগী শিবা ফাওবা য়াই। অদুবু তীল হীদাক অমদি নাপি-হীদাকশিংসি কাপ্পদদি অসিগুম্বা ফীভমসিমক্তি থেংনরোই মরমদি মখোয়দি য়াম্না হন্থবা চাংদা হকচাংদা চঙলকপনি। মসি ওইরগসু, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেক্সন এজেন্সিগী মতুং ইন্না ওর্গানোফোস্ফেতশিংসি হয়িংখোই, মীওইবা অমদি অতৈ ৱাইল্ড লাইফশিংদা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই হায়রি। মতম কুইনা কেমিকেলশিংসিনা হকচাং মনুংদা চঙলক্লবদি নীংশিংবগী শক্তি হন্থরকপা, দিপ্রেসন, কোক চিকপা, মঙ থিবা, তূম্না তূম্না চৎপা (স্লিপ ৱাকিং) অমদি তূম্বা য়াদবগী অনাবশিং ওইরকপা য়াই।

ওর্গানোফোস্ফেত য়াওবা তীল নৎত্রগা নাপি হীদাক অমা কাপ্পা মতমদা, মাস্ক উপ্লবসু পাইথোরকপা মকুপশিংনা কাপ্লিবা মীদুগী ফুরিৎতা নপশিল্লকই। ফুরিৎতুগা হকচাংগা তক্লবা মতমদা ওর্গানোফোস্ফেতকী অপীকপা মকুপশিং উনশা ফাউদুনা হকচাং মনুংদা চঙখি। অসুম্না মতম কুইনা হকচাংদা অসুম চঙখিবসিনা অনাবা কয়া ওইরক্লিবনি। মসিদগী ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈ অমনি হন্দক থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবসি। মখোয়না ফিদুদা পোলিইলেক্ত্রোলাইটকী কুয়োম কয়া হাপ্পা মতমদা ওর্গানোফোস্ফেত হায়দ্রোলেজ হায়রিবা এঞ্জাইমসিসু হাপচিল্লি। অসিগুম্বা ফিসিনা তুরবা ফুরিৎ-খোংগ্রাওদা ওর্গানোফোস্ফেতকী মকুপশিংনা নপশিল্লকপা মতমদা ওর্গানোফোস্ফেত হায়দ্রোলেজনা ওর্গানোফোস্ফেতপু অচম্বা কেমিকেলশিংদা থুগাইখিগনি। অদুনা হকচাংদা ওর্গানোফোস্ফেতনা চঙলকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

নুংঙাইবা ৱাফম অমনা, পোলিইলেক্ত্রোলাইটকী কুয়োমশিংনা কুপশিল্লবা ফুরিৎ-খোংগ্রাওসি ঈশিংদা শুদোকপা মতমদা হিলিং তৌবা ঙম্বসিনি। কুপশিল্লিবা কুয়োমশিংদুদা হোগাইবা, তৎপা-খোৎপা য়াওরল্লবসু মথন্নতা অমুক শৌজিনখি। অতোপ্পা অমনা ফিসিগী মফম অমদা শেগাইরবসু, ঈশিংদা থাদরগা শেগাইরিবা শরুক্তু শোক্লহল্লগা থম্বা মতমদা তাইশিন্নখিবা ঙম্মী। করিগুম্বা ফি অমদা তৎপদগী হোবা য়াওরবদি ঐখোয়না য়েত্তুমগী মতেংনা ফি মকক অমা থারগা লংনা ফোৎপা য়াই। সেল্ফ হিলিং তৌবা ঙম্বা ফিসিদদি লংনা ফোৎলুবগী মথৌ তাদে। মদুগী মহুত্তা হোরবা ফিদু ঈশিংদা থাদরগা থমগনি। ফিদুগী মকক অমা হোরিবা অদুগী মথক্তা থাদরগা থম্বা মতমদা মথন্নতা শৌজিন্নখিগনি। মখা তানা হংবা য়াবা ৱাহংদি, পোলিইলেক্ত্রোলাইট অমদি এঞ্জাইমগী কুয়োমশিংনা ফিদুগী ফজবা, মচুনচিংবদদি অয়েৎপা পীদব্রা হায়বসিনি। প্রোফেসর দেমিরেলনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্নদি কুয়োমশিংসি মাইক্রোন অমদগী হেন্না পাই, অদুনা ফিগী মগুন্দা অহোংবা অমত্তা থোকহন্দে।

ফি মখলসিদা চান্নবা এঞ্জাইমশিং হাপ্লগা অতৈ হু ওইবা কেমিকেলশিংগা তোৎন-তিন্নদুনা হিংলিবা মীশিংদসু কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়রি। খুদম ওইনা অনাবা লায়েংনবা হীদাকশিং শুংবগী থবক তৌরিবা মীওইশিংদা শোকহনবা য়াবা কেমিকেলশিংদুবু থুগাইবা ঙম্বা এঞ্জাইমশিং হাপ্লগা হকচাং মনুংদা চঙহন্দবা ঙমগনি। লোয়ননা কেমিকেল নৎত্রগা বাইওলোজিকেলগী লান্দা শোক্লবশিংবু মতেং পাঙলিবা লান্মীশিংদা অসিগুম্বা মখলগী ফি-রোল শেৎহল্লগা মশা-মশাবু ঙাকথোকচহনবসু ঙল্লগনি হায়বগী ৱাফম থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি।